**File Copy from Poknapham**
**IMPHAL, 20th July, 2012**

# এনবাইরোনমেন্ত দে পাঙথোকখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ সোসাইতি ফোর দিসএবল পার্সন্স (এস দি পি), কুম্বীনা মিনিস্ত্রি ওব এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ফোরেস্তকী থৌশিলগা খূৎশম্নরগা কুম্বী গবর্নমেন্ত হায় স্কুলদা থা অসিগী তাং ১৫ দা নেসনেল ইনভাইরোনমেন্ত এৱারনেস কেম্পেন ২০১০-১১ মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা স্কুল অদুগী মহৈরোয় ২০০ রোম্না উ-চারা ১৫০ রোম স্কুল অদুগী অকোয়বদা থাখি হায়না এস দি পিগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, সার্বিস ওব দি নেসন (সেনা) , কুম্বীনা এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ইকোলোজি ৱিং, দিপার্তমেন্ত ওব এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ফোরেস্ত, গবর্নমেন্ত ওব মণিপুরগা খূৎশম্নরগা 'বাইওদাইবর্সিতি কঞ্জার্বেসন' হায়বা থিমদা হৌখিবা তাং ১৭ তা নেসনেল এনবাইরোনমেন্ত এৱারনেস কেম্পেন ২০১০-১১ পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা এন জি ও, ৱুমেন্স ওর্গনাইজেসন, য়ুথ লিদর, ছাত্র-ছাত্রীশিং য়াওনা মীওই ৬০ না শরুক য়াদুনা বাইওদাইবর্সিতি কঞ্জার্বেসন হায়বা থিমদা খন্না-নৈনখিবগা লোয়ননা কুম্বী পুলিস স্তেসনগী অকোয়বদা উ চারা ১০০ রোমসু থাখি হায়না সেনাগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

নেতৱার্ক ওব ইকনোমি এন্দ ৱেলফিয়র সার্বিস, কুম্বীনসু শীন্দুনা এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ইকোলোজি ৱিং, পোরোম্পাৎকা খূৎশম্নরগা হৌখিবা তাং ১৬ তা 'বাইওদাইবর্সিতি কঞ্জার্বেসন' হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা নেসনেল এনবাইরোনমেন্ত এৱারনেস কেম্পেন ২০১১ অমা কুম্বীদা লৈবা কাংজৈবুং মপাল মাঙবতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীওই ১২০ লোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উ চারাশিং থাখি হায়রি।

অপলিফমেন্ত ওব ৱুমেন এন্দ চাইল্ড এসোসিএসন, উয়াল খুনৌনসু 'বাইও-দাইবর্সিতি' হায়বা থিমদা নেসনেল এনবাইরোনমেন্ত এৱারনেস কেম্পেন অমা হৌখিবা তাং ১৭ কী নুংথিল পূং ৪.৩০ তাবদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মিনিস্ত্রি ওব এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ফোরেস্ত, গবর্নমেন্ত ওব ইন্দিয়া অমসুং এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ইকোলোজি ৱিংগী শেন্থুং মখাদা পাঙথোকখিবা কেম্পেন অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লম্বীগী নাকলশিংদা উ-চারা ১০০ রোম থাখি হায়রি।

**© Disclaimer: All efforts have been made to make the information as accurate as possible.**